# য়াওশঙ স্পোর্টস অমসুং লমজেল অশাংবা

—লৈশাংথেম অজিৎ—





য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্লিঙৈদা স্কুল অমসুং কোলেজ লাইরিক তমদে, নুপীমচা-নুপামচাশিংনা মখোয় অসি মহৈরোয়নি হায়বা কাউই, শেল মুনবা, অবের তৈনবা, নুপীমচা নুপামচা কোয়মিন্নবদা পূক্লিং চংই অমসুং নুমিদাংদা থেংনা-থেংনা থাবল চোংই, নিশা চাবগী চৎনবী হৈনরকই, ফুন-চৈনবগী চাং হেঙ্গৎলকই। মরম অসিনা মপা-মমা ওইবশিংদা অৱাবা অমা ওইহল্লি। অসিগুম্বা লৈবাক অমবু ফত্তবা চৎনবীরোমদা পুরকপা থৌওংশিং অসিদগী লাপথোক্লবা য়াওশৎ মনুংদা স্পোর্টস পাঙথোক্তুনা অঙাংশিংবু শরুক য়াহনবনা খুন্নাই অসিগী তুংগী অফবা ওইরক্কনি হায়বা মীয়াম্না খংনরক্তুনা য়াওশঙ স্পোর্টস অসি মণিপুর তম্পাক্তা পাক-শন্না পাঙথোক্লরি।

স্পোর্টস অসিদা মখল-মখা অয়াম্বা মশান্নশিং পাঙথোকই। তৌইগুম্বসুং পাঙথোক্কদবা থৌরমদি লম্পাক হায়বদি শান্নফম পীকপা চাউবগী মখা পোল্লি। লৈকায় খরদদি অচৌবা লম্পাক মরাং-কায়না লৈ, লৈকায় খরগীদি ময়াই ওইরপ চাউপা লম্পাক, খরদনা লম অহাংবা মচেৎ অমা ফাওবা লৈজদবা লৈকায় কয়ামুক লৈ। মফমশিং অসিদদি লম্বী অচৌবগী মতাইদা নৎত্রগা লম্বী থিংজিল্লগা নৎত্রগা লৈরকশিং থিংজিল্লগা শান্ন-খোন্নবগী থৌরমশিং পাঙথোকই।

লম্পাক চাউনা লৈবা মফমশিংদদি মিটর ৪০০গী ট্রেক অমা য়েক্লগা লমজেল চেনফম শেম্মী, ট্রেক্কী মনুংদা মখল মখা অয়াম্বনা স্পোর্টসকী থৌরমশিং তা লংবা, নুং লংবা, চেঞ্জোং, মাঞ্জোংনচিংবা পাঙথোকপদা নত্তনা থৌরি চিংনবী, ফুটবোল, কব্বাদি অমদি ভোল্লিবোলনচিংবা টিমগী মশান্নশিং পাঙথোকই। লম্পাক মচা অমদি লম্বী, লম্বীগী মতাইদা পাঙথোকপা শান্ন-খোন্নবগী থৌরমশিংদি অয়াম্বনা চফু থুগাইবী, কোক ফাইটিং, মী অনী অনী মীচং ওইহল্লগা খোঙ নাম্মা পুনশিন্নরগা লমজেল তান্নহনবা, অঙ্ক লমজেল, ফিরাল শৎপী অমদি ম্যুজিকেল চেয়্যরনচিংবা লম্পাক মচাদা পাঙথোকপা য়াবা থৌরমশিং য়েংলগা পাঙথোক্লে।

শান্ন-খোন্নবগী থৌরমশিং অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা লাইরিক লাইশুগা কলচরগা মরী লৈনবা থৌরমশিং হায়বদি শৈরেং থিবা, ৱারী মচা ইবা, রচনা ইবা, বনান চুম্বা তান্নবা, অঙ্ক লমজেল, কুইজ, দিবেট, এক্স-টেম্পর স্পিচ খক্তা নত্তনা জগোয়, ঈশৈ অমসুং ড্রামাদা শরুক য়ানবা পূক্লিং চিংশিলহল্লি। অসুম্না শান্নবগী কলচরগী অমদি মহৈ-মশীল তম্বগী লমদা অথোই-অহেন তান্নবদা শরুক য়াহনবনা অঙাংশিংগী পর্সেনিলিটি হেঙ্গৎপদা মতেং ওইহল্লি অমদি তুংদা মীরক তিনবা ঙম্নবা খোঙথাং অমা ওই।

য়াওশঙ স্পোর্টসকী মীয়াম্না খ্বাইদগী শরুক য়াবা থৌরমদি লম্বীদা চেনবা অশাংবা লমজেলনি। লমজেল অসিদা চহি নৌরিবা অঙাংদগী চহি য়াম্লবা অহলশিং ফাওবা শরুক য়ারি লমজেল অশাংবা অসিবু য়াওশঙগী মরাথোন হায়না খঙনবগুম তৌরি। মরাথোনগী অশাংবদি কিলোমিটর ৪২.১৯৫ নৎত্রগা মাইল ২৩ কা গজ ৩৬৫নি। য়াওশঙ স্পোর্টসতা লমজেল অশাংবা অমা থৌরম ওইনা য়াওহনবা অসি মণিপুরদা চৎনবী ওইরি, মসিবু অফবা খোঙথাং অমনি। য়াওশঙ স্পোর্টতা চেন্নরিবা লমশাংশিং অসি চাংচত্তা কিলোমিটর ১৫ রোম ওইনা তৌই। মসিদি অশিন-অরাং তৌরিবা ক্লব অমদি চেনগদবা লমজেল্লোইশিং অদুগী মতুং ইন্না পাঙথোকই। মফম খরদদি কিলোমিটর ১০দগী পঙহেন হেন্নদবসু য়াওই। অঙাং মচাশিংগীদি মসিদগী খরা হন্থে। কিলোমিটর মরি/মঙাগী চাংদা চেলহল্লি।

লমদম অসিগী মপা মমাশিংনা অঙাং মচা পীক্লিবশিংবু লমজেল অশাংবা চেলহনবদা থৱায় য়াম্না য়াওই অমদি অশিন-অরাং তৌরিবশিংনসু মখোয়বু মপূক্লিং থৌগৎলি। মসিগী মতাংদা অঙাংগী মপা-মমা অমসুং স্পোর্টস শীল্লিবা লূপশিংনা চহি নৌরিবা অঙশংশিংদা লমজেল অশাংবা চেলহনবগী হকচাংদা অমাংবা, হকচাংগী কয়াৎশিং শোক্তুনা তুংগী পুন্সিদা অকায়বা লাকপগী মরমদা খঙজিনবিবা ফৈ। লমজেল অশাংবা চেনবগা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিংগা মরী লৈনবগী মরমদা মুন্না খঙবা ডাক্তর মশীং য়াম্না লৈতবা মরম্না অহল-লমনশিংনা হিরম অসিদা চেকশিনবীবা ফৈ।

মালেমগী এথলেটিক্সকী খ্বাইদগী চাউবা লূপ ইন্টরনেসনেল এসোসিয়েসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) হায়রিবা লূপ অসিনা খঙ হৈরবা ডাক্তরশিংগা তান্নরবা মতুংদা চহি ১৬ শুদ্রিবা নুপীমচা, নুপামচাশিংনা কিলোমিটরর অহুম শাংবা নৎত্রগা মিটর লীশিং অহুম শাংবা লমজেলদা শরুক য়াবা য়াদে হায়বা অকনবা চেরোল অমা মালেম পূম্বদা খঙহনখ্রে। মরম অসিনা ইন্দিয়াদা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা এথলেটিক্সকী থৌরম খুদিংমক্তা চহি ১৬কী মখাগী থৌরমদা মিটর লীশিং অহুম নৎত্রগা কিলোমিটর অহুমগী লমজেল য়াওদে। পীক্লিবা অঙাংদা লমজেল অশাংবা চেলহনবনা অঙাংগী মশা শোকই, চাউবা থিল্লি, হার্ট অমসুং লংস শোকই, টি বি লায়না নারকপগী লম্বী অমসু ওই। মসিখক্তং নত্তনা হিরম কয়া অমুক্তা অমাঙদা লৈ হায়বা খঙলে।

অহল ওইরবশিংগীদি লমজেল তপ্ন-তপ্না শাংলপ চেনবা অসিনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামুক পীদুনা পুন্সি শাংহনবগী মচাক অমা ওইহল্লি। তপ্না লমজেল শাংলপ চেনবা অসিনা হকচাংদা দম হায়বদি ইন্দুরেসন লৈবা হেঙ্গৎহল্লি, ইন্দুরেসন লৈবা মী অমনা মতম কুইনা থবক শুবা ঙম্মী। চোকথবা লৈতনা লাইরিক পাবা ঙম্মী। লমজেল চাং নাইনা চেল্লবদি হার্টকী লায়না লৈবা ঙমদে। হায় ব্লদ প্রেশরদগী ঙাকথোকই, হকচাংগী কেলোরিজ চাকথেকপগী চাং ৱাংই। মরম অদুনা হকচাং নোয়খৎপা ঙমদে; হকচাং নোয়খৎপশিংগী ওইনদি লমজেল চাং নাইনা শাংলপ চেল্লগদি হকচাংগী অহেনবা ফেটশিং মাংখি। লমজেলবু শাজেন ওইনা চেন্দুনা শান্নরবদি অৱা-অনা কাউই, ৱাখল ঈংই অমসুং তপথবগী হৈনবী লৈরকই।



কনাগুম্বা নুপামচা নুপীমচাশিংনা ময়াই ওইরপ শাংবা লমজেলদগী মরাথোন ফাওবগী মনুংদা লৈবা লমজেলশিংদা শরুক য়াদুনা মায় পাক্কে হায়বা পান্দম লৈরবদি য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ওজা (কোচ) অমগী মখাদা তমগদবনি। নীংথিনা লমজেল অশাংবগী মরমদা খংবা ওজা অমগা লোয়ননা প্রাক্টিস তৌবা ফংদ্রবদি লমজেল্লোয়শিং অদুগী পান্দম ফংলোই।

য়াওশঙগী ফত্তবা চৎনবীশিং হায়বদি অবের তৈনবা, শেল মুনবা, নুপীমচা নুপামচাশিংনা লম্বী লমজাউদা কোয়চৎ চৎমিন্নবা, নিশা চাবগী থবকগী চাং হেঙ্গৎলকপা, ফুনা চৈনবগী ৱাথোক লান্থোক ওইরকপনচিংবা খুন্নাই অসিবু মাঙহন্নবা খোঙথাংশিং অসিদগী নাথৈনবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা য়াওশঙ মনুংদা মণিপুর পূম্বগী ওইবা শান্নবগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা ফুটবোল, কব্বাদি, কাং, চৈবী অমসুং মরাথোন লমজেল পাঙথোক্লিবা অসিসু লৈবাক মীয়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা অঙম্বা মতেং পীবিগদবনি। অসিগুম্বা লূপ ময়াম অমনা য়াওশংগী ফত্তবা শক্তম মাঙহন্নবা হোৎনবা মথৌ তারি।

# নুপীশিংগী থৌদাং অমদি ক্লারা জেটকিন

সোটিনকুমার



*কুমজা* ১৯০৭, ঙসিদগী চহী ১১২গী মমাঙদা ন্যু য়োর্ক সিটিগী নুপীশিংনা খূৎশুমল হেনগৎনবা নোংমগী থবক শূবগী মতম তেশিন্নবা অমদি য়ুনিয়ন্দা য়াওবা য়ানবগী রাইটস পীননবা দেমোন্সত্রেসন চৎখি। মখা তারকপদা কুমজা ১৯০৯দা ন্যু য়োর্ককী গার্মেন্ট ৱার্কেরশিংনা চয়োল ১৩গী ষ্ট্রাইক চখখি। মদুবু 'দি রাইজিং ওফ দি ২০,০০০' হায়বদি নুপী শিন্মী ২০,০০০না হৌরকপা ঈহৌ হায়না খঙনখি। অসিগুম্বা নুপী শিন্মীশিংগী ঈহৌশিং অসিনা তুংদা নুমিৎ অদুবু (মার্চ ৮) মখোয়না চখখিবা ঈহৌ লোয়ননা মখোয়বু নমথদুনা থম্বীবদুগী পল লান্থোক্তুনা অহেনবা শক্তিগীদমক থেংনখিবদুবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা নীংশিং পালন পাঙথোক্লবগীদমক ৱাফম পুখৎনরকখিবনি।

মার্চ ৮বু ইন্টরনেসনল ৱার্কিং ৱিমেন্স দে, মালেমগী নুপী শিন্মীশিংগী নুমিৎ ওইনা পালন তৌরকখিবসিগী মরমদা রেভল্যুস্নরি ওইবা পুৱারী অমা লৈরি হায়বসি খঙনদবগুম তৌরি। অশেংবমক্তি মসি নুপী শিন্মীশিংনা লেপ্তুনা থেংনরকখিবগী মহয়নি। অদুগা মসি সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোন চেনবা নুপীশিংনা শূ-নোল্লিবা নুপীশিংবু য়াকায়হন্নবগীদমক পালন পাঙথোক্লবা লাউথোকখিবনি।

অমেরিকাগী নুপী শিন্মীশিংনা চখখিবা ষ্ট্রাইক অমদি প্রোটেষ্টশিংবু ইকায়খুম্নদুনা কুমজা ১৯২০দা পাঙথোকখিবা নুপী-শিন্মীশিংগী অনীরকশুবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা জর্মনগী নুপী সোসিয়েলিষ্ট ক্লারা জেটকিন্না মার্চ ৮বু ইন্টরনেসনল ৱার্কিং ৱিমেন্স দে হায়না পালন তৌনবা ৱাফম পুখৎলকখিবনি। অমেরিকাগী নুপী শিন্মীশিংগী ঈহৌশিং অসিগা তুফাংননা মালেমগী অতৈ মফমশিংদসু নুপীশিংনা ভোট থাদবগী রাইটস পীননবা অমদি নুপা-নুপী মান্নবা রাইটস ফংহন্নবা ঈহৌশিংবু চখরকখি।

নুপীশিংবু নমথদুনা থম্বীবগী মায়োক্তনি মমিং লৈরবী অইবী, চোকথবা নাইদবী ওর্গনাইজর অমদি ৱাঙাঙলোই ক্লারা জেটকিন্না পীখিবা পোলিটিকেল কন্ট্রিব্যুসন্না রোজা লুক্সেম্বর্গ কৌবী সোসিয়েলিজমগীদমক লেপ্তুনা থেংনরুবগীদমক নাজিশিংনা কুমজা ১৯১৯গী জন্যুৱারীদা হাৎতোক্লগা বার্লিনগী কেনেল অমদা লংথোকখিবী মথৌনা মরিংজেল লৈরবী অদুগা ক্লারা জেটকিনগা মশুং-মমান্নবীনি। হন্দক্কী চহীসি মানা শিখিবগী ১০০রকশুবা কুমওননি। ঐখোয়না রোজা লুক্সেম্বর্গতা মতিক চাবা ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই।

ক্লারা জেটকিন জর্মনগী ষ্টুটগর্টতা লৈবা বুক বাইন্দরস য়ুনিয়নগী মেম্বর অমনি। লোয়ননা মহাক ফিরোল তূবী অমদি তূরবা ফিরোলগী মপান তাইশিনবীশিংগী য়ুনিয়ন্দসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্মী। মখা তানা মানা নুপী শিন্মীশিংগী ত্রেদ য়ুনিয়নশিং শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ১৮১৫দা মহাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর খনখি।

মহাক্কী নৌরিঙৈগী পোলিটিক্সকী খোঙচৎতা নুপীশিংবু নমথদুনা থম্বীবদগী মনীং তমহন্নবগীদমক অকনবা থবক পায়খৎখি। মহাক্না খঙখি মদুদি নুপী খুন্নাইবু নমথবীবা অমদি ওৎপী-নৈবীবসি শেঞ্জাও পায়বগী চৎন-কাঙলোননি হায়বদু। মরম অদুনা নুপী শিন্মীনা নীংখা তম্বা ফংবা হায়বসি মশাবু পল কয়াদগী লান্থোক্লবা হোৎনরবতা ওইথোক্কনি।

ইন্দষ্ট্রিশিং (শিনশঙশিং) পাকথোক চাউথোরকপগা লোয়ননা নুপীশিংসু শিনশঙশিংদা শিন্মী ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। কুমজা ১৮৯২ ফাওবদি মতমদুগী আইন্না নুপী শিন্মীশিংনা ত্রেদ য়ুনিয়ন য়াওবা য়াহল্লমদে অমদি কুমজা ১৯০৮ ফাওবা পোলিটিকেল এক্টিভিটিদা নুপীশিংনা শরুক য়াবা আইনগী ওইবা অথিংবা লৈরম্মী।

নুপী শিন্মীশিংনা মখোয়দা মাঙহনখিবা মতমশিং কুপখৎপা ওইনা নুপাশিংদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙনা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংদা য়াওনরকখি। খুদম অমত্তং পল্লবদা জর্মনিদা কুমজা ১৮৯২দগী কুমজা ১৯১৩ ফাওবগী মনুংদা অপূনবা মেম্বর ২৩৭,০৯২দগী ২,৫৭৩,৭১৮ ওইবগী মনুংদা নুপী মেম্বর ৪,৩৫৫দগী ২৩০,৩৪৭তা হেনগৎলক্তুনা অহানবদা চাদা ১.৮ ওইরম্বদগী চাদা ৮.১দা হাইগৎলকখি। মসিদা ক্লারা জেটকিন্না হনবা লৈতনা নুপী শিন্মীশিংগী য়াইফন্নবা হোৎনখিবদুগী মমি তাখি।

জেটকিন্না খুন্নাইদা লৈরিবা থাক খুদিংমক্কী নুপীশিং শূ-নোল্লিবা কাঙলূপ, শেঞ্জাও পায়বা, লাইরিক-লাইশু হৈবা অদুগা খ্বাইদগী মতোল থংবদা লৈরিবা নুপী কাঙ্গূপ (অপ্পর টেন থাওজন্দ হায়না খঙনবা) না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং নৈনদুনা য়েংখি। শেঞ্জাও পায়বগী কাঙলূপ্তা চনবা নুপীনা মহাক্কী মরল-মথুম মনীং তম্না কন্ত্রোল তৌবা ঙম্নবা মহাক্কী কাঙলূপকী নুপাগা শিংনবা তারকই। ময়ায় ওইবা কাঙলূপকী নুপী লোয়ননা লাইরিক-লাইশু হৈবীনা মায়োক্লবা সমস্যানা তোঙাল্লি। মখোয়গী ওইনদি মখোয়গী কাঙলূপকী নুপাশিংগা থবক্তা চঙবদা খুদোংচাবা মান্নরা ফংবনি। মখোয়গী দিমান্দদি মহৈ-মশীন তম্বগী মান্নবা রাইটস লোয়ননা নুপানা চঙবা য়াবা থবক খুদিংমক্তা মখোয়বুসু চঙহনবনি। জেটকিন্না ময়েক শেংনা খঙখি মদুদি ময়ায় ওইবা কাঙলূপকী নুপীশিংগী দিমান্দদি শেল থুমগী নীংতম্বদগীসু হেন্দোক্তুনা স্পিরিচুয়েল মপূং ফাবা অদু ফংনবগী দিমান্দ ফাওবা কোনশিল্লি। অদুগা দিমান্দশিং অসি পীফম থোকই হায়বদু ময়ায় ওইবা কাঙলূপকী নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পুখৎতুনা থেংনবদা ক্লারা জেটকিন্না মতেং পাংলবসু মাগী মরু ওইবা থৌদাংদি মতমদুগী মার্ক্সিষ্ট অমা ওইনা নুপী শিন্মীশিংগী ৱার্কিং কন্দিসন ফগৎহনবনি।

জেটকিনগী ৱাখল্লোন্দা কেপিটেলিজম্না মরম ওইদুনা হেন্না হোংবা লেবর ফোর্স অমা থিরকপদা নুপী শিন্মীশিং অসি শিনশঙশিংদা থবক শূবা তারকখিবনি।

জেটকিন্না কন্না থাজখিবসি নুপী শিন্মীশিংনা নুপা শিন্মীশিংগী থবক শূফমদা য়াওশিন্দুনা শিন্মী নুপা-নুপী অনীমকপু ওৎলিবা কেপিটেলিষ্ট সিষ্টেম অসি মুখৎপনি। মহাক্না মরু ওইবা ৱাফমসিমসু থমখি মদুদি নুপী শিন্মীশিংনা পোখোক পুথোকপদা শরুক য়াবা মরম্না নুপী খুন্নাইগীদমক নীংতম্বা পুরকপদা মখোয়গী থৌদাং য়াম্না মরু ওই হায়বসি।

শিন্মীশিংগী রেভল্যুসন্না কেপিটেলিষ্ট সিষ্টেমবু মুখৎপদা খুন্নাইদা হন্থবা থাক্তা থম্বীরিবা নুপীশিংগী মুক্তি ফংগনি হায়বসি জেটকিনগী থাজবনি। মরম অসিনা নুপীশিংদা মুক্তি ফংহনবা হায়বসি শিন্মী অমা ওইনা নুপী শিন্মীশিংগী অপূনবা শক্তিগী মখা পোল্লি।

ক্লারা জেটকিন্না মতমদুগী ঈ-পাউ ফোঙলিবা পাউচেশিং অমদি ইথোক্লগা চাইথোকপা চেবাউশিংদা ইস্যু অসি ফোঙদোক্তুনা মীটিংনচিংবদা শরুক য়াবা ঙমদবা নুপীশিংদা পাউজেল শন্দোক্লবা তকশিনখি। মহাক্না থমখিবা মরুওইবা ৱাফমদি করম তৌনা নুপীশিংবু ওর্গনাইজ তৌদুনা মখোয়বু মপূং ফানা শরুক য়াহন্নবা হোৎনগদগে হায়বসিনি।

কুমজা ১৮৯৬তা নুপীশিংবু নমথবীবগী মায়োক্তা শিন্মী কাঙলূপকী পুনশিল্লবা রেভল্যুস্নরি ষ্ট্রগল অমা মথৌ তাই হায়বগী মতাংদা ক্লারা জেটকিন্না অসুম্না হায়খি, 'প্রোলেটরিয়েটশিংনা মুক্তি ফংবা হায়রবদি ফুরুপ অমদি শিনফমগী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থেংনরবতদা ওইথোক্কনি। অদুগা নুপা-নুপীগী খেন্নবা থমদনা পুনশিন্নদুনা থেংনরবতদা মুক্তি ফংগনি। সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোন্না জার ওইবা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা শাগৎনবা নীংখা তম্বগী ষ্ট্রগল চঙশিনবদা মশীং য়ামখ্রবা নুপী কাঙলূপসি য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি।

হন্দক পাঙথোকখিবা ১১০শুবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেসি ত্রেদ য়ুনিয়নশিং অমদি নুপী ওর্গনাইজেসনশিংগী নোংমখক্তগী পালনদু নত্তে। নুপী শিন্মীশিং মখোয়সি শূ-নোমদুনা পোখোক পুথোক্লিবা শিন্মী কাঙলূপনি লোয়ননা মখোয়গী ফংফম থোক্লবা বেসিক রাইটশিং নুপা-নুপী খেন্নবা থমদনা ফংগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দু মীয়ামদা খঙহনবদুনি।

সোসিয়েলিষ্ট নুপীশিংগী ঈহৌঅসি কার্ল মার্ক্সকী লাইফাওগুম্লবা ৱাহৈশিং 'ফিলোসোফরশিংনা মালেমসিবু তোঙান তোঙানবা মওংদা হন্দোকপদং তৌই, অদুবু তৌগদবদি মালেমসিদা অওনবা পুরকপনি' হায়বা অসিনা অচৌবা ইনোৎ অমা পীখি। মার্ক্সকী ৱাহৈশিং অসিনা নুপী শিন্মীশিংবু য়াকাইহনবগা লোয়ননা পুৱারীগী লমায়দা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগদবা চাউখ্রবা থৌদাং মদুদি নুপী শিন্মী কাঙলূপনা শিন্মীশিংবু মুক্তি ফংহন্নবগী চঙশিনবদা হনবা লৈতবা থৌনা পীরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯২

১। মৈতৈ পুৱারীগা শাগোন্নবা তুরেল অমতং হায়বা তারবদি 'চন্দ্রনদী' তুরেল অসিসু অমনি। পানা মরি থোক্তুনা থা অনী চঙনা তৌখিবা তুরেলনি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা তৌখিবনো?
(খ) করম্বা পানাগী শরুক্না হান্না লোইশিনখিবগে?

২। ''নহাকসু কপ্পা, ঐহাকসু কপ্পা/কৌৱুসু কপ্পা।'' পরেং অনী অসিদা পল্লিবা কপমিন্নরিবা কবি অসি কনানো?

৩। ''ঈপাকসিদগী কোঙ্গোল পূম্নমক তাকখ্রবদি/লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।'' পরেং অনীসিদা অচৌবা ৱাহং অমা হংলিবা কবি অসিনা কনানো?

৪। ''খুল অমা লৈ/নোংমৈ গুল্লিগী মখোন্দা নাচুংদ্রবা।' পরেং অনী অসিনা 'দিৱালীগী মৈরা পরেং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। ''স্বর্গদগী ছুটি লৌদুনা/নোরোক্কী নারক ফাওদুনা/ঐ লাই নীংবা চৎলে।'' ৱাহৈশিং অসিনা চীংলোন ৱাংমদগী ঈগী মরী কবি অমনা লাউরকপনি। মহাক অদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল*
***hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।*
*পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*